সুরেসকুমারদা পি ঐচ দি পীরক্লে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): থৌবাল অথোকপম ময়ায় লৈকায়দগী সুরেসকুমার থোকচোম অপোকপা টি ঐচ য়াইমা অমসুং অপোকপী তম্ফামনিদা দেল্লী য়ুনিভর্সিটিনা ফার্মাকোলোজিগী 'এ ক্লিনিকেল ষ্টদি টু ইভাল্যুএট দি ইফেক্টস ওফ য়োগিক ইন্টরভেন্সন ওন পুলমোনরি ফঙ্কসন্স, ইনফ্লেমেটরি মার্কর্স, ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেস এন্দ হেল্থ ষ্টেটস ইন পেসেন্টস ওফ ক্রোনিক ওপষ্ট্রক্টিভ পুলমোনরি দিজিজ' হায়বা থেসিস অসিদা ফিলোসোফি দিগ্রী পীরক্লে হায়রি।

দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্টনসু য়োগ দে পাঙথোকখি

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): মালেমগী মফম পুন্নমক্তা পাঙথোক্লখিবগুম সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিসেস মণিপুর, ইম্ফালনসু থা অসিগী ২১দা তোঙান তোঙানবা এক্টিভিটিশিংগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল দে ওফ য়োগ (আই দি ৱাই), ২০২১ পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগী থৌরমনা মরম ওইরদুনা ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিসনা বুক তৌরকখিবশিং অমসুং আর্টিকলশিং নুমিৎ অসিগী ওইনা য়েন্থোক্কদবা অদু কেন্সেল তৌরদুনা মরী লৈনবা পুন্নমক্তা 'বি ৱিথ য়োগ, বি এট হোম' হায়বা মেসেজ পীখিবগা লোয়ননা য়োগগী এক্সর্সাইজ পাঙথোকখি হায়না মণিপুর পোষ্টেল দিভিজন, ইম্ফালগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট এল টিকেন্না থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.698174
US Dollar	74.264331
British Pound	103.674937
Australian Dollar	56.232968
Chinese Yuan Renminbi	11.465892
Japanese Yen	0.668798
Malaysian Ringgit	17.841863
Singapore Dollar	55.224839
South Korean Won	0.065331
Saudi Arabian Riyal	19.803822
Thai Baht	2.333226

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	7320.00
Mumbai	–	Rs	47165.00
Delhi	–	Rs	47165.00
Kolkata	–	Rs	47960.00

GAS NEWS

M/S R & H INDANE
SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto 06/04/2021
Valid from 26/03/21
Stock 306 nos.
Office contact numbers
8132036940, 8414824977,
8413936705
Call timing 8 am to 12 noon
Sunday closed
KHORIPHABA LPG
SERVICE NAMBOL
Bk.upto 31-05-21(sl.upto 44205)
Home delivery
HIYANGTHANG INDANE
Booking 12-05-21.
Valid.09-05-21.
Stk.-306.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no.
6381538861, 8414043907.
Whatsapp.no. 7085557686
M/S MANIPUR POLICE
GAS SERVICE
BOOKING UPTO 23/03/21
Sl.No. 01 to 100
Valid from 22/03/21
Time: 07am to 10 am
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 am to 12:00 noon
BOOKING : 10.06.21
VALID : 20.05.21
FOR ALL IMPHAL-WEST &
IMPHAL-EAST
8131942156 (SMS/
WHATSAPP) 7085198900
(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND
& LAMPHEL 7628098544,90
89370369,9774443052
FOR ALL LANGOL AREA
7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5
DAYS
CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO 14/05/21
VALID FRROM NIL
19kg & 5kg UJJAWALA
AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 8794191632
NAOREM LEIKAI
7005210401 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to
10.00am
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-
03/07/2021
Valid from-13/05/2021
***19kg Available
For delivery service Please
contact -7085738631or
8119967523
Call timing:8:00am to 2:00pm

ইন্টরনেসনল ৱিদোজ দে, ২০২১ : ইনভিজিবল ৱিমেন, ইনভিজিবল প্রোব্লেমস

মণিপুরগীদি ফেক এনকাউন্টর ১সুং দ্রগনা শিহনখিবশিংগী ৱিদোশিং লৈ

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা মান্নদবা মওংদা মণিপুরদদি ৱিদোশিংগী মরক্তা অহেনবা মখল অনী লৈ। মখল অনীসিগী মনুংদা অমনা ফেক এনকাউন্টরশিংদা লৈখিদবা মীওইশিংগী ৱিদো অমসুং অতোপ্পা মখল অমনা দ্রগসনা মরম ওইদুনা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা ৱিদোশিংনি।

ৱাফম অসি ঙসি ইন্টরনেসনল ৱিদো দেগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) তমেংলোংনা ভর্চ্যুএল মোদতা পাঙথোকখিবা নুমিৎ অসিগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা দি এল এস এ তমেংলোংগী চেয়রমেনসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট এ গুনেশ্বর, এম জে এসনা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসি দি এল এস এ তমেংলোংনা 'ৱেলফেয়র স্কিমস ফোর ৱিদোজ' হায়বসিগী মতাংদা ওনলাইন্দা পাঙথোকখিবা ঙসিগী নুমিৎ অসিগা মরী লৈনবা লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা দি এল এস এ অসিগী চেয়রমেন এ গুনেশ্বরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা 'এম্পৱারিং দি ৱিদোজ/এবান্দন ৱিমেন ওফ মণিপুর' হায়বা প্রোজেক্ট অসিগী মতাংদসু ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা ৱিদোশিংবু রিহেবিলিটেসন তৌদুনা মসিগী খুদোংচাবা পীবা অমসুং মখোয়বু সোসাইটি অসিগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইহনবগী মতাংনচিংবদসু ৱা ঙাঙখি।

লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না ষ্টেট অসিগী নুপীশিংবু এম্পৱার্দ তৌনবা লৌখৎলক্লিবা থবকশিংগী মতাংদসু ৱা ঙাঙখি। লোয়ননা ঙসিগী ওনলাইন লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবা পুন্নমক্তা ৱিদোশিংগীদমক্তা লৈরিবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং মথৌ তাবা মীওইশিংদা মতেং মরু ওইনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ৱিদোশিংদা পীননবা অপীল তৌখি।

ঙসিগী ওনলাইন প্রোগ্রাম অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ৱাইখোম বিরহরিসু রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখি। মহাক্না ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ৱিদো পেন্সন স্কিম (আই জি এন দব্লিয়ু পি এস) অমসুং নেসনল ফেমিলি বেনিফিট স্কিম (এন এফ বি এস) অমদি ষ্টেটকী ওইবা স্কিমগী মতাংদা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্স টু পোর এন্দ নীদি ৱিদো ৱিমেন হায়বগী মতাংদা শন্দোক্না তাকখি।

দেপ্যুটি দিরেক্টর অসিগী মায়কৈদগী হায়রিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অসিগী মতাংদা মসিগী খুদোংচাবা ফংনবগীদমক্তা ইলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া অমসুং মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিংগী মতাংদসু শন্দোক্না ঙাঙখি। লোয়ননা হায়রিবা স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবশিং ফংনবগীদমক মথৌ তাবা দোক্যুমেন্ট/ইনফোর্মেসনশিং অদু পোর্টেল nsap.nic.in গী খুৎথাংদা থাবীরক্লবসু অপীল তৌখি। লোয়ননা খুদোংচাবা ফংহনগদবা মশীংদগী এপ্লাই তৌরকপা মশীংনা হেনবদগী এপ্লিকান্ট পুন্নমক্তা মতম অমত্তদা মসিগী খুদোংচাবা পীবা ঙমদবনি। অদুবু এপ্লিকান্ট পুন্নমক্তা খুদোংচাবশিং শোয়দনা ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

ঙসিগী ইন্টরনেসনল ৱিদোজ দেগী নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ওনলাইন লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসিদা পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়রস (পি এল ভি), নন গভর্ণমেন্টেল ওর্গনাইজেসন (এন জি ও), মহৈরোয় অমসুং নহারোলশিংগী ওর্গনাইজেসনশিং, ৱিমেন ওর্গনাইজেসন অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী লোকল ক্লবশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনসু কম্যুনিটি নেটৱর্ক ফোর এম্পৱার্দমেন্ট (কোন), মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা মসলসাগী মখাদা 'ক্রিমিনেলাইজেসন ওফ দ্রগ য়ুজরস : এ থ্রেট টু হেল্থ এন্দ সোসল দিভেলপমেন্ট' হায়বা থিম অসিদা নোংমগী ওইবা ৱেভিনর অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি ঙসি নুংথিল পুং ১ তারকপদা জীটসি মীট এপ্লিকেসনগী খুৎথাংদা পাঙথোকখিবনি। প্রোগ্রাম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পুলিস ওফিসরশিং, পেনেল লোয়রশিং, লিগেল এইদ কাউন্সেলশিং অমদি পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়রশিংনা শরুক য়াখি।

প্রোগ্রাম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি এল এস এগী চেয়রমেনসু ওইরিবী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ আর কে মেমচা, দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ইষ্ট এন লনলৈমা, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস (জে এম এফ সী) কিমনৈগা কিপগেন, জিরিবামগী জে এম এফ সী সুভম ভাসিষ্ট অমসুং কোনগী প্রসিদেন্ট নলিনিকান্ত রাজ কুমারনা শরুক য়াখি।

রিছোর্স পর্সন ওইনা টোপিক অসিগী মতাংদা নলিনিকান্ত রাজ কুমারনা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা দি এল এস এ অসিগী চেয়রমেন অমসুং সেক্রেটরিগা লোয়ননা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী মরক্তা ইন্টরেক্সন সেসন অমসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, দি এল এস এ, ইম্ফাল ৱেষ্টনা মসলসাগী মীৎয়েং মখাদা ঙসিগী ইন্টরনেসনল ৱিদোজ দেগী থিম ওইরিবা 'ইনভিজিবল ৱিমেন, ইনভিজিবল প্রোব্লেমস' হায়বসিগী মতাংদা ৱেভিনর অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অসিদা দি এল এস এ ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেয়রমেনসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ অরিবম গুনেশ্বর, চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টসু ওইরিবা দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরি ৱাই সোমোরজিৎনা শরুক য়াখি। লোয়ননা পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়রশিং, পেনেল এদভোকেটশিং অমসুং নেসনল হেল্প লাইন ফোর সিনিয়র সিটিজেন্স (এন ঐচ এস সী), সী এস ওনচিংবশিংগী মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা শরুক য়াখি। অদুগা ৱেভিনর অসিদা দি এল এস এ ইম্ফাল ৱেষ্টকী রিমান্দ এদভোকেট ওইরিবী লাইশ্রম রেবেদানা রিছোর্স পর্সন ওইদুনা ৱা ঙাঙখি।

রিছোর্স পর্সন ওইখিবী রিমান্দ এদভোকেট লাইশ্রম রেবেদানা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ২০১১দগী হৌরদুনা মালেমগী লুখ্রাবীশিংগী মথৌ তাবশিংদা অখন্নবা তেংবাঙ পীনবগী পূক্নিং চিংশিন্নদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা চহী খুদিংগী জুন ২৩বু ইন্টরনেসনল ৱিদোজ দে হায়দুনা পাঙথোরকপগী মরমদা শুগাইনা ঙাঙখি।

নুমিৎ অসিবু য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইন্টরনেসনল ৱিদোজ দে হায়দুনা লাউথোরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা রাজ লুম্বা অমসুং লুম্বা ফাউন্দেসনগী মতাংদসু শরুক য়াখিবশিংদা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা ৱিদোশিংনা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা মীপূম তিংনা ৱাখল তামিন্নবগীদমক থৌরম অসিগী মরু ওইবশিংগী মতাংদসু রিছোর্স পর্সন্না ফোঙদোকখি। হৌজিক মালেমগী মফম পুন্নমক্তা ৱিদোশিংগী মশীং মিলিয়ন ২৫৮ হেন্না লৈরি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লদুনা মখোয়বু য়েংশিনবীদবা, মতেং পাংবীদবা অমসুং সোসাইটি অসিনা শীংথানবীদবগী ৱারী কয়াসু পার্টিসিপেন্টশিংদা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা দি এল এস এ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনসু মসলসাগী মখাদা ঙসি জীটসি মীটকী খুৎথাংদা ইন্টরনেসনল ৱিদোজ দে কম লিগেল এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অসিদা দি এল এস এ থৌবালগী চেয়রমেনসু ওইরিবা সেসন্স জজ বিনি ঙাঙোম অমসুং দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরিসু ওইরিবী সী জে এম, থৌবাল শান্তনা শরুক য়াখি হায়রি।

পোজিটিভ কেস ৬২৯ থেংনখি, মীওই ৯ লৈখিদে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): ঙসি নুংথিল লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমনা থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ কেস ৬২৯ থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই ৯ লৈখিদ্রে হায়রি।

পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা অনীনা সি এ পি এফকী পর্সনেললনি। অদুগা লেমহৌরিবশিংনা মীচমনি। মীচমশিং অসিগী মনুংদা নুপা ৩১৪ অমসুং নুপী ৩১৩নি। পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ২৫, জেনিমসতা ২৮, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৪৩০ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদা ১৪৬ থেংনখিবনি। অদুগা পোজিটিভ ওইরবশিং অসিনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১০২, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৪৯, থৌবাল ৫০, বিষ্ণুপুর ৬৯, ককচীং ৫৪, উখ্রুল ১৭, চুড়াচান্দপুর ৯৪, চান্দেল ৯, তমেংলোং ৫, তেংনৌপল ৫৭, জিরিবাম ১, কাংপোকপী ১৬, কামজোং ১, ফেরজোল ২ অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না মীওই ৯ লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৩, ইম্ফাল ইষ্ট ৩, বিষ্ণুপুর ১, নোনে ১ অমসুং চুড়াচান্দপুরদগী ১নি। মীওইশিং অসি রিমসতা ৩, জেনিমসতা ৩, শিজ হোস্পিটালদা ২ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা ১ লৈখিদবনি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ৯ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীং ১০৭৪ শুরে হায়রি।

লোয়ননা ঙসিগী ওইনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংনা ৫৪৩নি। মসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসনদগী ২২১, রিমসতগী ৬, জেনিমসতগী ১১, কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী ১০৩ অমসুং কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংদগী ২০২নি হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা পোজিটিভ কেস মশীং অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা থেংনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৬৫,৬২২ শুরে। মসিগী মনুংদা সী এ পি এফকী পর্সনেল ৩,৮০৮নি। অদুগা ৬১,৮১৪না মীচম মীয়ামনি। ঙসি ফাওবগী ওইনা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীংনা ৫৫,২৫৭শুরে। মসিগী মনুংদা সী এ পি এফকী পর্সনেল ৩,৭৬১নি। অদুগা জেনরেল পোপ্যুলেসনগীনা ৫১,৪৯৬নি হায়রি।

অদুগা ঙসি ফাওবদা লৈরিবা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৯,২৯১নি। মসিগী মনুংদা সী এ পি এফকীদি পর্সনেল ৪২ খক্তনি। লেমহৌরিবশিংনা মীচম মীয়ামনি হায়বগা লোয়ননা ঙসি ফাওবগী ওইনা লায়না অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা ৮৪.২০ য়ৌরে হায়রি।

ঙসি ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৫,০৪,২৭৬ শুরে হায়রি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অসিগী মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই অমনা ওক্সিজেন লেভেল (এস পি ও ২) অদু চাদা ৯৪গী মখাদা লৈরগদি পন্থদনা মেদিকেল এদভাইস লৌগদবনি নৎত্রগা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈগদবনি হায়রি।

মসিগী হেল্প লাইন নম্বরশিংনা কোভিদ কন্ট্রোল রুমগীনা ১৮০০-৩৪৫-৩৮১৮ অমসুং হোম আইসোলেসনগীনা ০৩৮৫-২৪৪১২৩০, ০৩৮৫-২৪৪১২৩১নি হায়রি।

ইম্ফাল রিং রোদ শেম্নবগীদমক লম...

লামায় ১গী মখা... থবক অসি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী দি সীশিংনা চেয়রমেন ওইবা কম্মিটি অমগী মখাদা চত্থগনি। প্রোজেক্ট অসি পুন্না লুপা ক্রোর ৯০০ চঙনা পায়খৎকদবনি। শেনফম অসিগী চাদা ৯০দি গ্রান্টনি। অদুগা চাদা ১০না লোননি। লম্বী অসিগী অপুনবা অশাংবনা কিলোমিটর ৫১.২৩নি। অদুগা মসিনা কোনশিনগদবা অপুনবা লমগী শরুক্না একর ১৯৫.২৯নি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম একর ১৫.১২০ অসি এক্যুজিসন তৌবগী মথৌ তারকপনা মতম চঙহন্দনা লম মপুশিংদগী দাইরেক্ট পর্চেস তৌবগী তঙাইফদবা লাকপনি। লম লৌশিনবগী থবক অসি হেক লোইবগা লম্বী শেম্বগী থবকসু অথুবদা হৌগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পি গেম্সতা শরুক য়াগদৌরিবী ৱেথলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুগী এচিভমেন্টশিংবু লৈঙাক্না শকখঙবা অমসুং মদুবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্না লুপা লাখ ১০গী শেনফম ৱান টাইম কেস ইন্সেন্টিব ওইনা পীনবা ৱারেপ লৌবনি। মিরাবাই চনু লৈবাক অসিগী লেমজনিংঙাই ওইরবা পদ্মশ্রি অমসুং খেলরত্ন এৱার্দসু ২০১৮দা ফংখিবনি। হন্দক্তসু ইকুই কুইদনা টাস্কেন্ততা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নসিপকী ক্লিন এন্দ জর্কতা অনৌবা ৱর্ল্দ রেকোর্দ থমখিবনি। মণিপুরগী ওন্ট্রপ্রেনরশিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা মণিপুর ষ্টার্ট অপ স্কিমগী মখাদা কোভিদ পেন্দমিককী পেকেজ ওইনা ওন্ট্রপ্রেনরশিংদা নুমিৎ হুম্নিগী ট্রেনিং পীনবা অমদি লুপা লাখ ১দগী ৩ ফাওবগী শেনফম পীনবসু কেবিনেটে মীফম্না লেপ্পখ্রে। শেনফম অসিদা চাদা ৩০দি সবসিদি য়াওরি। অহানবগী ওইনা ওন্ট্রপ্রেনর ৫,০০০ রোম স্কিম অসিগী মখাদা কোনশিন্নবা পান্দম থল্লি হায়খি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক ফাবা চৎপদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা মণিপুর পুলিসকী ইন্সপেক্টর লিসম প্রেমচান্দগী পোকমিন্নবা মনাওনুপাবু কম্পেসনেট গ্রাউন্দদা মণিপুর দিপার্টমেন্টকী মখাদা এস আই ওইনা থবক হাপ্পদসু কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে। রিসোর্স মোবিলাইজেসনগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরগী ফিশরি দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা ঙায়োক ফার্মশিং পি পি পি মোদেলদা চলাইবা হৌনবসু লেপ্পখ্রে। ঙায়োক ফার্মশিং অদু চহী অমগী ওইনা হেক্টরদা লুপা ২০,০০০ গী চাংদা পীরগা লিজ তৌনগদবনি। মণিপুরগী ওইনা ফিশরি দিপার্টমেন্টকী মখাদা হৌজিক হেক্টর ২০৩৯গী ঙায়োক ফার্ম লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি। ন্যু চেক্কোনগী ট্রাইবেল কোলোনিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী ক্বার্টর অসি মতমগা চুন্না হুদকোদগী লোন লৌরগা শানবগীদমক মফম অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়িশিং নেসনল গেম ভিলেজ মৈতৈ লাঙ্গোলদা টেম্পররি গভর্ণমেন্ট ক্বার্টর শারগা মতম খরা হোংদোকহন্নবসু লেপ্পরে। টেম্পররি ক্বার্টরশিং অসি শাবগী মথৌ তাবা শেনফম ওইনা লুপা ক্রোর ৪০সু হুদকোদগী লোন লৌগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মখাদা ১০০ মেগাৱাট সোলার ফোটো ভোলটেক পাৱর প্লান্ট শেমগৎ শাগৎনবগীদমক জিরিবামদা লৈবা টি ইষ্টেটকী লম একর ৬০০সু মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সটাইল্স, কমার্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজদা ট্রান্সফর তৌবদসু কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী সাইবোম ভিলেজদা ১১শুবা আই আর বিগী বটালিয়ন হেদক্বার্টর শানবা রিকমেন্দ তৌরকখিবা মফমসু অয়াবা পীখ্রে। লোয়ননা মণিপুর সিভিল সর্ভিস রুল্স ১৯৬৫গী সেদ্যুল ১দগী বি দি ওগী পোষ্ট ৭০ এবোলিসন/ দিকেদরমেন্ট তৌবগী মতাংদা মমাঙদা লৌখিবা ৱারেপসু কেবিনেট মীফমনা রিভিয়্যু তৌখ্রে হায়রি।

এন ঐচ ৩৭কী বরাক থোং অমুক্কসু য়াখিদ্রে, শেমজিনবদা নুমিৎ নীনি-হুমনি চঙখিগনি

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী নেসনল হায়ৱেশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল জিরিবাম) লম্বীগী মরু ওইবা থোং অমা ওইরিবা বরাক থোং অমুক্কসু য়ারক্তবদগী নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট কোওপরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল) না শেমজিনবা হৌখ্রে। অদুবু মপূং ফানা শেমজিনবদা ঙসি নোংমা নীনি চঙখিগদৌরি।

পাউ অসিনা হায়বদা থোং অসিগী নাকল অনীগী মনুংদা অমগী য়োৎশিং তেকথরকপা অমদি থোংগী ফম্বাক্তা থারিবা উপাকশিং ফারিবা নটনচিংবা তৎপা য়াওরকপদগী য়াদ্রিবশিং অসি শেম্নবগীদমক নৌহৌননা থোং অসিগী শরুকশিং ফকতোল্লগা অমুক শেমজিনবা হৌরকপনি। মসিগী মথক্তা থোং অসিগী নাকল অনীদা মপাঙ্গল হাপ্পবগীদমক তিংলিবা

য়োৎলিশিংসু হেন্না শোন্থরকপদগী অমুক হন্না তিংহন্নবগী থবকশিং পায়খৎলি হায়রি। ঙসি অয়ুক্তগী হৌরকখিবা শেমজিনবগী থবকশিং নুমিদাংৱাইরম ফাওবা চথরক্লবসু মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমখিদ্রি।

অমরোমদা লম্বী অসিগী নূং দলান মনাক্তা লৈবা সস্পেন্সন ব্রিজ অমদসু ঙরাং পোৎ পুবা ত্রক অমা লান্নবা হোৎনবদা মনিং থংবা ওইগী টায়র পুৎখিবদগী ব্লোক তৌদুনা লৈরম্বদুদি এন ঐচ আই দি সী এলগী কাঙবুনা লৌথোক্তুনা শেমজিনবদগী য়ারে হায়রি। অদুম ওইনমক বরাক থোং য়াখিদবা অসিনা মরম ওইরদুনা হৌজিক হায়ৱে অসিদা ইম্ফাল তন্না লাক্কদবা ত্রক ৭০ রোম পন্দুনা লৈরে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ৩০ খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৭ লোম তারকপদা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কী দিপার্টমেন্ট ওফ সর্জরিগী ডা. নিংঙোম্বম জিতেন্দ্রনা চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা লিটর ১০/১০গী ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটর ৩০ খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং অদু চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি এন জিওফ্রিদা হকথেংননা খুৎশিন্নখিবনি। পোৎলমশিং অসি য়ুনাইটেদ কিংদমদগী ইনিসিএট তৌরক্লগা বেঙ্গলুরুগী স্বাষ্ঠ এলাইএন্সনা দোক্টর অসিদা পীরকখিবনি হায়রি। ঙসি দোনেট তৌখিবা লুপা লাখ ৩০ রোমগী ওইগদবা পোৎলমশিং অসি থারগা ডা. এন জিতেন্দ্রগী মায়কৈদগী দোনেট তৌখিবা মরিরক শুরে হায়রি।

শিন্মী ২০০ রোমগী ঈ পি এফকী ...

লামায় ১গী মখা... না পুথোক্কদবা চাদা ১২ অদুগা পূন্না চাদা ২৪ হৌজিক্তি মণিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদনা পুথোকপা তাবনি হায়না ঈ পি এফ ওগী রুল্স পল্লদুনা মচীন চৎপা ওফিসল অমনসু পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

হৌজিক কোর্পোরেসন অসিদা থবক তৌরিবা দ্রাইভর, মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ, ৱেন্দিং ওপরেটর/কম্প্যুটর ওপরেটর, জে টি এ, এম আর সী বি দি য়াওনা ইমপ্লোয়ী ২০০ হেনবগী থা-থাগী ঈ পি এফ কন্ট্রিব্যুসন ওইনা লুপা ৩,৬০,০০০ অসিগী পেনেল দেমেজগী চার্জশিং ওইনা চাদা ৫ অমসুং ১০গা লোয়ননা চাদা ১৫ য়াওরগদি চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ৩ হেনবগী শেনফম কোর্পোরেসন অসিনা থিহৌদ্রবদি ঈ পি এফ ওনা মসিগী ঈ পি এফ ও এক্টকী মখাদা মখল কয়াগী লোগী লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎনবা শেম শাদুনসু লৈরে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ট্রেদ য়ুনিয়ন খরগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কোর্পোরেসন অসিনা মসিগী শিন্মীশিংদা মীনুংশি পোক্তদুনা ওৎলৈ-পারে তৌদুনা লৈরবদি কোর্পোরেসন অসিগী মখাদা লৈরিবা ট্রেদ য়ুনিয়নদা রেজিষ্টর তৌবা ইমপ্লোয়ীশিংগী য়ুনিয়ননা শোয়দনা ইন্দষ্ট্রিয়ল ট্রাইব্যুনেল নৎত্রগা লোগী মতেং লৌদুনা লো কোর্টকী থোঙজিন্দা লেপ্পবগী শেম শাবা য়াওরে হায়নসু ফোঙদোক্লরক্লি।

অসিগুম্বা কোর্পোরেসন অসিগী মেনেজমেন্টগী মথোং হুক্তবা লীচৎ অসিনা ইমপ্লোয়ীশিংগী রাইট মৎপদা নৎতনা তুংগী পুন্সিদা চাওনা অকায়বা পীবদা নৎতনা লৈঙাক অসিগী শেলয়াম অমা অরেম্বদা চাদিং তৌহনগদৌরিবনি হায়নসু ট্রেদ য়ুনিয়নগী লুচিংবশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

পাউচে অসিনা কম্পেনি অসিদা ওইরল্লিবা ইমপ্লোয়ী ২০০ হেনবগী মরাইবক অসিগী মতাংদা ষ্টেট স্পেসল ওফিস ঈ এফ ওগা পাউ ফাওনবদা ঈ পি এফ ওগী মায়কৈদগীদি কম্পেনি অসিগী ইমপ্লোয়ীশিংগীদমক্তা পায়খৎফম থোকপা ঈ পি এফ ও এক্টকী মখাদা খোঙফম অমত্তা হন্দনা চপ চানা এক্সন লৌখৎনবা শেম শাদুনা লৈরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ন্যুজপেপর এসোসিএসনদা শেলগী তেংবাঙ খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): লৈখিদ্রবা হোকর খোইস্নাম কোবা মীতৈগী মীংদা মহাক্কী মচানুপা টোকিওনা চহী খুদিংগী ওল মণিপুর ন্যুজপেপর সেলস এন্দ দিষ্ট্রিব্যুটর এসোসিএসনদা পীদুনা লাকপা শেলগী তেংবাঙ ঙসি খুৎশিন্নখ্রে।

শেলগী তেংবাঙ খুৎশিন্নবা লৈখিদ্রবগী মচানুপা টোকিওনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী অপোকপনা হোকর ওইদুনা মচাশিংবু শেন্বীরকপনি। মরম অসিনা মহাক্কী অপোকপনা হোৎনজরম্বা হোকর এসোসিএসন অসিদা অঙম্বা মতেং খরা কৎচবনি। মসিদা নত্তনা মহাক্কী লৈকায়দা লৈবা মীমান্নদ্রবা খরদা থা থাগী লুপা ৫০/৫০ পীবা হৌরকখিবদু মহাক্না তৌজরিবা থবক অসি কুমজা ২০১৬তগী রেগ্যুলর তারকপদগী লুপা ১০০দা হেনগৎহনখিবদু হন্দক সভেন্থ পে ফংবদগী লুপা ২০০/২০০ পীবা ঙমজরে হায়খি।

লোয়ননা ন্যুজপেপর এসোসিএসনদসু চহীগী ওইনা লুপা লিশীং ৩/৩ কৎচদুনা লাকখিবা অদু হন্দক সভেন্থ পে ফংবদগী লুপা লিশীং ৫ কৎচবা ঙম্লে হায়খি।

তেংবাঙ শেল পীরকপা অদুদা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অজিৎ ৱাংখেমচানা লৈখিদ্রবা হোকর খোইস্নাম কোবা মীতৈনা এসোসিএসন অসিবু লিংখৎপীরম্বনি। মহাক্না কৈশামথোং এ সী পুন্নবদা পাউচেশিং য়েন্থোকপদা নত্তনা অতোপ্পা মফমশিংদসু য়েন্থোক্লমখি। মহাক্কী মপান্দগী ঙসিদি এসোসিএসন অসিনা মণিপুরগী কাচিন কোয়া য়ৌনা পাউচে য়েন্থোকপা ঙম্লে হায়খি।

হৌজিক মীয়াম্না কিনরবা কোভিদ লাইচৎকী মতম অসিদসু হোকরশিংনা ৱারিয়র ওইনা থৌদাং লৌজরি। লোয়ননা পাউচে য়েন্থোকপীরিবা এসোসিএসনগী মেম্বর পুন্নমকপুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। ঙসিগী শেনফম অসি লাক্লিবা ওগষ্ট ২৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসোসিএসন অসিগী মপোক কুমওন থৌরমগী মাঙওইননা কৎলকপনি হায়নসু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

দলিট সাহিত্য একাদেমিগী নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল এৱার্দ ফংগদবশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস): ৱাংজিংগী য়াদা কমপ্লেক্সতা লৈবা দলিট সাহিত্য একাদেমি, মণিপুরগী সেক্রেটরি বি কে মঙাংনা থোরকপা চেরোল অমদা চৎলিবা কুমজা ২০২১গী ওইনা একাদেমি অসিগী নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল এৱার্দ ফংগদবা মীওইশিংগী মমিংশিং লাউথোকখ্রে।

এৱার্দশিং অসিগীদমক্তা সেলেক্সন তৌরে হায়রিবশিংনা নেসনল কোরোনা ৱারিয়র এৱার্দ ২০২১দা পি ঐচ ঈ দি মিনিষ্টর লোসি দিখো (সোসল ৱার্ক), খুরাই নিংথৌবুং লৈকায়দগী থিয়াম নিলমনি (এদ্যুকেসন), শিংজমৈ ৱাংমদগী ৱাইখোম লিলাবন্ত (সোসল ৱার্ক), শগোলতোংবা মখা লৈকায়দগী নোংমাইথেম শান্ত, কুম্বীদগী ৱাহেংবম রোজেন (সোসল ৱার্ক), অন্দ্রো মচেংপাৎতগী চীংঙাখম প্রেমজিৎ (সোসল ৱার্ক), চান্দেলগী মহামনিদগী কে টি টেরেজা অনাল (নর্সিং সর্ভিস) অমসুং তৌপোকপীদগী টি এস ইদিম অনাল, ৱাংজিং এস কে মমাঙ লৈকায়গী কোভিদ টাস্ক ফোর্সনি।

গ্লোবেল কোরোনা ৱারিয়র এৱার্দ ২০২১গী ওইনা কৈরাওগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর (সোসল ৱার্ক অমসুং হ্যুমেনিটি সর্ভিস), ভারত রত্না ডা. ভিম রাও অম্বেদকর ইন্টরনেসনল এৱার্দ ২০২১গী ওইনা কৈশামথোংদগী গাংমৈ অলুনা কবুইনি (কলচর এক্টিভিষ্ট), বাবু জগ জিবন রাম ইন্টরনেসনল এৱার্দ ২০২১দা য়ুরেম্বম মখা লৈকায়দগী খুরাইজম নিলকান্ত (ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস), ইন্টরনেসনল য়ঙষ্টার এৱার্দ/প্রাইদ ওফ শ্রী লঙ্কাদা খুরাই কোন্থৌজম লৈকায়দগী ডা. য়ুম্নাম সুরজিৎকুমার মঙাং (হ্যুমেনিটি ডাক্টর), হৈরোক চম্পাথোংদগী ডা. থোকচোম নিলোচন্দ্র (জোন্দিস মেদিসিনিষ্ট), সোসল সাইন্টিষ্ট নেসনল এৱার্দ ২০২১দা উখ্রুলগী হুনপুং ভিলেজদগী বেঞ্জামিন মহুং (সোসল ৱার্ক), কলা খেত্র ইন্টরনেসনল/নেসনল এৱার্দ ২০২১দা ক্বাকৈথেল ময়ায় কোয়বীদগী মোইরাংথেম রাজেন মীতৈ (থাঙ-তা), থোংজুদগী ককচীংতাবম বিরহরি (থিএটর), বামোন লৈকায়দগী নীংশিং লৈমা লাইশ্রম (দান্স), শগোলবন্দগী কোংব্রাইলাৎপম খোনিচন্দ্র (এদ্যুকেসন), ইন্দিয়ন এচিভর এৱার্দ ২০২১দা চরাংপাৎতগী কাঙাবম যাদু (হ্যুমেনিটি সর্ভিস), থাংমৈবন্দগী বি গুনিন্দ্রো (এদ্যুকেসনিষ্ট), তাকয়েল কোলোম লৈকায়দগী মোইরাংথেম অথোইবী চনু (সোসল ৱার্ক), বাবু জগ জিবন রাম নেসনল এৱার্দ ২০২১দা খাগেম্পল্লি পন্থক্তগী য়ুম্নাম লক্সমন (সোসল ৱার্ক), ইরোইশেম্বদগী নিংথৌজম নরেন্দ্র (থাঙ-তা), শ্বামি বিবেকানন্দ নেসনল এৱার্দ ২০২১দা চরাংপাৎতগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসর কাঙাবম সদানন্দ (এদ্যুকেসন), বিরঙ্গনা শাবীত্রিবাই ফুলে নেসনল এৱার্দ ২০২১দা পাৎশোইদগী য়াইফরেন্বী মুতুম (এদ্যুকেসন), রাষ্ট্রিয় য়্যোটিস রত্না শন্মান পরক ২০২১দা শিংজমৈ ৱাংমা মখা লৈকায়দগী ৱাইখোম নিলাবন্ত মৈতৈ (এষ্ট্রোলোজর), ভারত এক্সিলেন্সি এৱার্দ ২০২১দা হৈরোক্তগী খুন্দোংবম ওংবী গুনমনি লৈমা (খোরিরোল), বামোন কম্পুদগী ইরেংবম শ্যামচান্দ (আর্ট এন্দ কলচর), দি এম কোলেজ কেম্পসতগী ডা. হাওবম অনন্দি (এদ্যুকেসন), ওক্রম চুথেক্তগী ওক্রম মংলেম মীতৈ (সোসল ৱার্ক), ময়াং ইম্ফালদগী হিদম খম্বা (পুঙ), শিক্ষক রত্না নেসনল এৱার্দ ২০২১দা খাগেম্পল্লি পন্থক্তগী তোইজম শান্তিবলা (এদ্যুকেসন), শিংজমৈদগী শগোলশেম ফালগুনি (এদ্যুকেসন), ডা. বি আর অম্বেদকর নেসনল এৱার্দ ২০২১দা ইরোইশেম্বদগী নিংথৌজম নরেন্দ্র (থাঙ-তা), শগোলতোংবদগী নোংমাইথেম জিরন (সোসল সাইন্টিষ্ট), সাপমদগী প্রোমিলা থোকচোম (খোরিরোল), য়াইরিপোক্তগী কায়েনপাইবম নিরুপমা (সোসল ৱার্ক), য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদগী অকোইজম নরজিৎ মীতৈ (এদ্যুকেসন), কোংবদগী কোন্সম ইবোমচা (ক্রাফ্ট-দোলস এন্দ টোইজ), কৈশামথোংদগী ইরোম ললিৎকুমার (পেনা), শগোলবন্দগী পলুংবম রানিবালা (ৱারী লীবা), উরিপোক্তগী অনৌবম লালকহ্নাই (এষ্ট্রোলোজর), ৱাইতোলদগী য়েংখোম সঞ্জিৎকুমার (থাঙ-তা), চিংথামদগী খাঙেম্বম কহ্নাই (এদ্যুকেসন), তেরা খুরাইজম লৈকায়দগী ৱাহেংবম মেমতোন (আর্টস এন্দ কলচর), শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দদগী সোরাইসম ইবেতোম্বী (আর্টিষ্ট), নোংচুপ কামেংদগী ওইনাম বিমোলা (আর্টিষ্ট), লম্বোইখোংনাংখোংদগী আর কে ইন্দ্রমনি (আর্ট এন্দ কলচর), তেন্থা খোংবান্দগী মোইরাংথেম ভৈগ্যচন্দ্র (লেবর ইন্সপেক্টর), থৌবাল ময়ায়দগী বিমোলা অকোইজম (আর্টিষ্ট), খুরাইদগী অঙোম অজিৎ (কলচর এক্টিভিষ্ট), পাৎশোইগী এম/এস দেবচান্দ ক্লাসিক ইন্দষ্ট্রিদগী দেবেশ্বর, লৈমপোকপমদগী ওইনাম নিকরসন (সোসল ৱার্ক), কোংবদগী পুখ্রম্বম ধনচন্দ্র (সোসল ৱার্ক), য়াইস্কুল চীংঙাখম লৈরক্তগী লাইশ্রম লক্সমন (থাঙ-তা), নহারুপ পাঙ্গোংদগী জিমিচন্দ্র তখেল্লম্বম (সোসল ৱার্ক), শগোলবন্দগী লোংজম ওংবী অঙাংতোম্বী (আর্ট এন্দ কলচর), ৱাংজিং এস কে লৈকায়দগী শগোলশেম অরুন (ফ্লুটিষ্ট) অমসুং প্রাইদ ওফ ইন্দিয়া য়ঙ ষ্টার এৱার্দ ২০২১দা খাগেম্পল্লি পন্থক্তগী পেপেসনা য়ুম্নাম (সোসল ৱার্ক), কৈশামথোংদগী ফাঞ্জৌবম লনজিৎ (সোসল এক্টিভিষ্ট), টোপ অৱাং লৈকায়দগী দয়ানন্দ ককয়েনপাইবম (পুঙ), লাইরেন শজিক্তগী তখেল্লম্বম ননাওতোম্বা (মীতৈ পুঙ), য়ুরেম্বমদগী খুরাইজম নিলকান্ত (মার্সিএল আর্টস) অমসুং হৈরোক্তগী নোঙাল য়েংখোম (য়ুট্যুবর) নি হায়রি।

এৱার্দশিং অসি মথং থাগী ১১ অমসুং ১২দা ন্যু দেল্লীগী রাজেন্দ্র ভবনদা পাঙথোক্কদবা ৩৫শুবা রাষ্ট্রিয় সমরপন বিজয় দিভসকী হৌদোকপগী থৌরমদা য়েন্থোক্কনি হায়রি।